ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯶꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ১০, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০৬৯শুবা মশীং

## জিরিবামগীসু অমুক খঙহৌদ্রবা নোইনা তৌবা শাবা’মা

মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না শিন্দুনা চৎখিবা ‘ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ অদু লোইশিল্লকপদা রেল্লিদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা অতম্না মীতৈদা ওনশিন্দুনা লান্দারকখিবনি। লান অদুগী মতুংদগী কুকিশিংনা লৈবা মফম খুদিংমক্তসু চপ মান্নবা লানশিং চত্থরক্তুনা মফম কয়াদা চীংজাও খোনবা লাম্নৈদৌনা মৈ চাক্লকখিবনি। থৌদোকশিংদু হৌজিক চহী অমা হেল্লবা মতুংদা নোং তারগা কৈনো অকংবা পোপথোকই হায়বদুগুম্লদনা পোপথোরকপগী ৱাফম নত্তে। নিংথৌগী মনা ফক্লাংদা থেৎলি হায়বদুবু কদাইদা চৎখ্রবগে? হৌজিক ষ্টেট লৈঙাক পায়রিবনি হায়দুনা লৈরিবা লৈঙাকসিগী মিৎ-নাকোং পূম্নমক ফেল ওইরব্রা হায়বনি। ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চতু চীংগী লৈরিবা লূপ অতৈনা শিন্দ্রগা অটসুমনা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা শিনখ্রিবা করিগীনো? অটসুম হায়রিবা লূপ মমিংসিদা ‘ওল ত্রাইবেল’ হায়বা ৱাহৈশিং য়াওহন্দুনা চীংমীশিং কোনশিনখ্রবসু অটসুমগী থৌপুবশিং কনা-কনানো? লূপসিদা কুকি ফূরুপ্না কোনশিনবা কাঙলূপ মচা-মচাশিংগী মীওই কয়াম য়াম্না য়াওবগে? অতোপ্পা কুকি নত্তবা চীংগী ফূরুপশিংগী মীওইশিং য়াওব্রা? করিগীদমক মখোয়না ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ চৎখ্রিবনো? খোঙচৎসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং পান্দমনা করিনো? ৱাহংশিংসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিংগী মতাংদা রেল্লিসি চৎখ্রিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিং করি-করম্বা হীরমশিংগী মতাংদা শীজিন্নখিবগে? মাঙজৌননা করি খঙহৌবা ঙম্বগে? রেল্লিদুদা নোংমৈ অমসুং থাঙ-তেন্নচিংবা পায়বশিং য়াওগনি খঙখিদব্রা? অদুগা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক মকোক্কী মমিং-মথা পন্দুনা অকাম্পেৎ ঙাঙলগা শীংলি পাবন থোকপমখৈ লাউ-খোংলক্কনি হায়বসু খঙখিদব্রা? পূম্নমক অমত্তা খঙদনা উদগী তাবদৌনা লৈখিবদুনা রেল্লি অদু থিংহৌদ্রিবরা? মশ্বাইদদি লৈঙাকসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাক্কি হায়গদৌরিবগে? হান্না শিংবনা অশিংবনি, কোন্না শিংবনা অপঙবনি হায়রসু মী কৌবনিনা ৱারৌনিনে।

হোয়, পূম্নমক হৌখ্রসনু। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু শকফমগা হঞ্জিল্লগা খূবাক চাংজৌ তরা লোন্নদুনা থোরকখ্রিবা লানসিগী হৌরকফমদা মাঙজৌনবা ঈ-পাউ (এদভান্স ইন্টল্লিজেন্স) ফংহৌদ্রে, মতম চানা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং (সিক্যুরিটি মিজর্স) লৌখৎহৌদ্রে হায়না মীয়ামদা ঙাকপীয়ু হায়জখ্রে। মীয়াম্নসু য়াখ্রে। অদুবু মতুংদা মখা তানা থোরক্তনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি হায়বা ৱাফমদুদি কদাই চৎখ্রবা হায়বনি। খঙহৌদবদগী খোঙফম অমা শোয়বনা শোয়বনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন চহী ১ হেন্না খুদি থীজিল্লক্তুনা লানফম্না ৱাই চাইরকপা অমসুং মোংফম্না খোঙদাফম লৈরক্ত্রিবা ফীভমসিদদি নথিবোং পান্দবনি হায়নরকপা য়াওরকপা তাবনি। ফরেনে, মসিসু তোক্লসি। চিন্দা পৌদানরুরগা তাঙ্গোই ওনখ্রবা য়ূমশিং হঞ্জিল্লক্কদবা নত্তে। মাঙখ্রবা থৱায়শিং হিঙ্গৎলক্কদবা নত্তে। অদুবু জিরিবামদা অমুক তৌরক্লিবা ময়ামসিনা করিনো? জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মতাংদসু মাঙজৌনবা ইন্টল্লিজেন্স লৌখৎহৌদ্রিরা? দিষ্ট্রিক্টসিগী অপূনবা মীশিং কয়ানো? খুল কয়াদা খুন্দাবনো? জিরিবামগা তাইনরিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অসামগী ঙমখৈদনা কুকি ফূরুপকী মীওইশিং তাবা খুল কয়াম লৈবগে? মফমশিং অসিদা কুকি টেররিষ্টশিংগী হাইদ-আউটশিং লৈব্রা, মখোয়গী মুভমেন্টনা কম্মাই তৌবগে? পূম্নমকসিসু অমত্তা খঙহৌদ্রবরা? জুন ৬, ২০২৪গী নুংথিলদা মীওই অমা তমথীবা মওংদা হাৎতোক্লমখিবা অদুনা জিরিবামদা থোকপা লান মনুংগী অহানবা থৌদোক নত্তে। মমাঙদসু নোংমৈ অমসুং বোম য়াওবা থৌদোকশিং থোকখ্রে। করিগীদমক মিৎ-না শিংহৌদবনো? মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদ্রিবা করিগীনো? জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা নৌনা থোরক্লিবা লানগী থৌদোকশিং অসিগীসু অমুক হন্না খূৎ লোন্নদুনা শোয়খ্রে, লানখ্রে হায়রকপদদি তানীংবা, য়েংনীংবা মীওইশিং থোরকখিগদ্রা? জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টসিসু মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী খুবামুংদা চনখ্রগনা কমদৌবা? লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিংগী রিলিফ কেম্প অমসুং প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস শারগা শিদনবা পীজবনা য়ারগদ্রা? মণিপুর ষ্টেট লৈঙাকসিবু লুচিংবা মকোক শোয়বা জাৎলা?

## ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯃꯒꯤꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯈꯉꯍꯧꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯅꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯁꯥꯕꯥ'ꯃꯥ

ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗꯥ ꯑꯣꯜ ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯜ ꯁ꯭ꯇꯨꯗꯦꯟꯇꯁ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ (ꯑꯇꯁꯨꯝ) ꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤꯕꯥ 'ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯜ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯃꯥꯔꯆ' ꯑꯗꯨ ꯂꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯥ ꯔꯦꯜꯂꯤꯗꯨꯗꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯈꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯇꯝꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩꯗꯥ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟꯗꯥꯔꯛꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯒꯤ ꯀꯨꯀꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇꯁꯨ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯡ ꯆꯠꯊꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯐꯝ ꯀꯌꯥꯗꯥ ꯆꯤꯡꯖꯥꯎ ꯈꯣꯟꯕꯥ ꯂꯥꯝꯅꯩꯗꯧꯅꯥ ꯃꯩ ꯆꯥꯛꯂꯛꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯥ ꯍꯦꯜꯂꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯔꯒꯥ ꯀꯩꯅꯣ ꯑꯀꯡꯕꯥ ꯄꯣꯞꯊꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯨꯝꯂꯗꯅꯥ ꯄꯣꯞꯊꯣꯔꯛꯄꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯃꯅꯥ ꯐꯛꯂꯥꯡꯗꯥ ꯊꯦꯠꯂꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯕꯨ ꯀꯗꯥꯏꯗꯥ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯕꯒꯦ? ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯄꯥꯌꯔꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯠ-ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯐꯦꯜ ꯑꯣꯏꯔꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯜ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯃꯥꯔꯆꯇꯨ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯂꯨꯞ ꯑꯇꯩꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗ꯭ꯔꯒꯥ ꯑꯇꯁꯨꯝꯅꯥ ꯃꯥꯡꯖꯤꯜ ꯊꯥꯅꯥ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯑꯇꯁꯨꯝ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯂꯨꯞ ꯃꯃꯤꯡꯁꯤꯗꯥ 'ꯑꯣꯜ ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯜ' ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯆꯤꯡꯃꯤꯁꯤꯡ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯑꯇꯁꯨꯃꯒꯤ ꯊꯧꯄꯨꯕꯁꯤꯡ ꯀꯅꯥ-ꯀꯅꯥꯅꯣ? ꯂꯨꯄꯁꯤꯗꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯟꯕꯥ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯃꯆꯥ-ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯌꯥꯎꯕꯒꯦ? ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯅꯠꯇꯕꯥ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯕ꯭ꯔꯥ? ꯀꯔꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯜ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯃꯥꯔꯆ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯣ? ꯈꯣꯡꯆꯠꯁꯤꯒꯤ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯋꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯥꯟꯗꯃꯅꯥ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯋꯥꯍꯡꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯥ ꯄꯥꯎꯈꯨꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯔꯦꯜꯂꯤꯁꯤ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯡꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟꯁꯤꯡ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯍꯤꯔꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯒꯦ? ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅꯥ ꯀꯔꯤ ꯈꯉꯍꯧꯕꯥ ꯉꯝꯕꯒꯦ? ꯔꯦꯜꯂꯤꯗꯨꯗꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯥꯡ-ꯇꯦꯟꯅꯆꯤꯡꯕꯥ ꯄꯥꯌꯕꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯒꯅꯤ ꯈꯉꯈꯤꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯃꯀꯣꯛꯀꯤ ꯃꯃꯤꯡ-ꯃꯊꯥ ꯄꯟꯗꯨꯅꯥ ꯑꯀꯥꯝꯄꯦꯠ ꯉꯥꯡꯂꯒꯥ ꯁꯤꯡꯂꯤ ꯄꯥꯕꯟ ꯊꯣꯛꯄꯃꯈꯩ ꯂꯥꯎ-ꯈꯣꯡꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯨ ꯈꯉꯈꯤꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯈꯉꯗꯅꯥ ꯎꯗꯒꯤ ꯇꯥꯕꯗꯧꯅꯥ ꯂꯩꯈꯤꯕꯗꯨꯅꯥ ꯔꯦꯜꯂꯤ ꯑꯗꯨ ꯊꯤꯡꯍꯧꯗ꯭ꯔꯤꯕꯔꯥ? ꯃꯁꯋꯥꯏꯗꯗꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯍꯥꯌꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯒꯦ? ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯁꯤꯡꯕꯅꯥ ꯑꯁꯤꯡꯕꯅꯤ, ꯀꯣꯟꯅꯥ ꯁꯤꯡꯕꯅꯥ ꯑꯄꯉꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯁꯨ ꯃꯤ ꯀꯧꯕꯅꯤꯅꯥ ꯋꯥꯔꯧꯅꯤꯅꯦ꯫

ꯍꯣꯌ, ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯁꯅꯨ꯫ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗꯒꯤꯁꯨ ꯁꯀꯐꯃꯒꯥ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯒꯥ ꯈꯨꯕꯥꯛ ꯆꯥꯡꯖꯧ ꯇꯔꯥ ꯂꯣꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯐꯃꯗꯥ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯕꯥ ꯏ-ꯄꯥꯎ (ꯑꯦꯗꯚꯥꯟꯁ ꯏꯟꯇꯦꯜꯂꯤꯖꯦꯟꯁ) ꯐꯡꯍꯧꯗ꯭ꯔꯦ, ꯃꯇꯝ ꯆꯥꯅꯥ ꯂꯧꯈꯠꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ (ꯁꯤꯀꯨꯔꯤꯇꯤ ꯃꯤꯖꯔꯁ) ꯂꯧꯈꯠꯍꯧꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯥ ꯉꯥꯀꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯖꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯌꯥꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯇꯅꯕꯥ ꯑꯉꯝꯕꯥ ꯊꯥꯛꯇꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯋꯥꯐꯃꯗꯨꯗꯤ ꯀꯗꯥꯏ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯈꯉꯍꯧꯗꯕꯗꯒꯤ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯁꯣꯌꯕꯅꯥ ꯁꯣꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯟꯖꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯆꯍꯤ ꯱ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯈꯨꯗꯤ ꯊꯤꯖꯤꯜꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟꯐꯝꯅꯥ ꯋꯥꯏ ꯆꯥꯏꯔꯛꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯣꯡꯐꯝꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯛꯇ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗꯗꯤ ꯅꯊꯤꯕꯣꯡ ꯄꯥꯟꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯔꯛꯄꯥ ꯌꯥꯎꯔꯛꯄꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯔꯦꯅꯦ, ꯃꯁꯤꯁꯨ ꯇꯣꯛꯂꯁꯤ꯫ ꯆꯤꯟꯗꯥ ꯄꯧꯗꯥꯅꯔꯨꯔꯒꯥ ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ ꯑꯣꯟꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯌꯨꯃꯁꯤꯡ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯀꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯊꯋꯥꯌꯁꯤꯡ ꯍꯤꯡꯒꯠꯂꯛꯀꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯃꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯌꯥꯃꯁꯤꯅꯥ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯝ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯀꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯁꯨ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯕꯥ ꯏꯟꯇꯦꯜꯂꯤꯖꯦꯟꯁ ꯂꯧꯈꯠꯍꯧꯗ꯭ꯔꯤꯔꯥ? ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤ ꯑꯄꯨꯅꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯀꯌꯥꯅꯣ? ꯈꯨꯜ ꯀꯌꯥꯗꯥ ꯈꯨꯟꯗꯥꯕꯅꯣ? ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯃꯒꯥ ꯇꯥꯏꯅꯔꯤꯕꯥ ꯇꯃꯦꯡꯂꯣꯡ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯁꯥꯃꯒꯤ ꯉꯃꯈꯩꯗꯅꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯄꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯇꯥꯕꯥ ꯈꯨꯜ ꯀꯌꯥꯝ ꯂꯩꯕꯒꯦ? ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯇꯦꯔꯔꯤꯁ꯭ꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯥꯏꯗ-ꯑꯥꯎꯇꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ, ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯨꯚꯃꯦꯟꯇꯅꯥ ꯀꯝꯃꯥꯏ ꯇꯧꯕꯒꯦ? ꯄꯨꯝꯅꯃꯀꯁꯤꯁꯨ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯈꯉꯍꯧꯗ꯭ꯔꯕꯔꯥ? ꯖꯨꯟ ꯶, ꯲꯰꯲꯴ꯒꯤ ꯅꯨꯡꯊꯤꯜꯗꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯥ ꯇꯃꯊꯤꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯍꯥꯠꯇꯣꯛꯂꯃꯈꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯃꯗꯥ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯃꯥꯡꯗꯁꯨ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯣꯝ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯀꯔꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯤꯠ-ꯅꯥ ꯁꯤꯡꯍꯧꯗꯕꯅꯣ? ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯕꯥ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯍꯧꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯝ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯇꯥ ꯅꯧꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯥ ꯈꯨꯠ ꯂꯣꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯁꯣꯌꯈ꯭ꯔꯦ, ꯂꯥꯟꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯔꯛꯄꯗꯗꯤ ꯇꯥꯅꯤꯡꯕꯥ, ꯌꯦꯡꯅꯤꯡꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯊꯣꯔꯛꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯖꯤꯔꯤꯕꯥꯝ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯁꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯒꯤ ꯁꯤꯄꯔꯦꯠ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯇꯦꯔꯔꯤꯁ꯭ꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯨꯕꯥꯃꯨꯡꯗꯥ ꯆꯟꯈ꯭ꯔꯒꯅꯥ ꯀꯃꯗꯧꯕꯥ? ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯞ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄ꯭ꯔꯤ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯤꯀꯦꯇꯦꯗ ꯍꯥꯎꯁ ꯁꯥꯔꯒꯥ ꯁꯤꯗꯅꯕꯥ ꯄꯤꯖꯕꯅꯥ ꯌꯥꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯕꯨ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯃꯀꯣꯛ ꯁꯣꯌꯕꯥ ꯖꯥꯠꯂꯥ?

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফুকুওকা, দি ফাদর ওফ মোদর্ন দে নেচরেল ফার্মিংগী ৱাখল্লোন খরদা ওনশিনহৌবনা অচুম্বা ওইরব্রা?

- এস সুমঙ্গল -

অহানবদা ফুকুওকা কনানো হায়বসি মীওই কয়া অমনা খঙলবসু মীওই কয়া অমনা খঙদ্রিবনা হান্না মহাক কনানো হায়বদু খরা থমজগে। মহাক অসি জপানদা কুমজা ১৯২৩দা পোকখিবা, ২০০৮ ফাওবা হিংলম্বা, ফিলোসোফর, এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট, লৌমী অমদি লাইরিক ইবা অমনি। মহাক অসি মীওইবদগী মহৌশানা শিংবা হেল্লি হায়না চেৎনা থাজবা, শিংই হায়না মীওইবনা পুথোক্লম্বা শেন্মীৎলোন ফগৎনবা পুথোক্লম্বা টেক্নোলোজি কয়ানা তুংদা পীরক্কদবা ফত্তবা মহয় কয়াবু মাঙজৌননা উরম্বা অমদি মদুদগী কন্ননবা মহাক্না রিছর্স তৌরম্বা থবক অদু থাদোক্লম্লগা মশামক্না মশাগী ফার্মদা লৌমী অমা ওইনা চহী ৩০-৩৫ চাংয়েং কয়া তৌদুনা ওইথোকপা য়াবদু তশেংনা উৎলম্বা য়াম্না চম্বা পূন্সি লেনখিবা মীওই অমনি। পূম্নমক অসি মহাক্না কুমজা ১৯৭৫দা ইরম্বা, কুমজা ১৯৭৮দা ইংলিসতা হন্দোক্তুনা শন্দোক্লম্বা ‘ৱান ষ্ট্রো রেভল্যুসন’ হায়রিবা লাইরিক অসি পারুবা অমদি মহাক্না মসিদা ফোঙদোক্লক্লিবা ৱাখল্লোন কয়া অসিদগী খঙনরকখিবনি। মরু ওইনা মহাক্না চাংয়েং তৌদুনা উৎখিবসি ‘দু নথিং ফার্মিং’ নৎত্রগা ‘নেচরেল ফার্মিং’ হায়রিবা কাঙলোনশিং অসি মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা অনৌবা লৌউ কাঙলোন শীজিন্নদুনা হোৎনবগা চপ মান্ননা চাথোক পুথোকপা ঙম্মী অদুবু খুদিংমক্তা - হায়বদি হকচাংদা, মহাওদা, শেন্মীৎলোন্দা, অকোইবগী ফীভমদা কান্নবা পীবদি নেচরেল ফার্মিংনা য়াম্নমক হেল্লি হায়বদু নীংথিনা তাকপা লাইরিকনি হায়না থমজনীংই। মহাক এৱার্দ মখল কয়া পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা মীওই অমসুনি। মহাক্কী ৱাখলদি হৌজিক্কী ওর্গানিক ফার্মিং অসি ফাওবা মালেমদা অমাঙবা ওইরক্কদবা মওংনি হায়না থল্লম্মী।

ফুকুওকাগী ৱাখল্লোন কয়া অসিগী মতুংইন্না অমদি খরা খরা শেমদোক্লবা মওংদা মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎ, অঙ্গৈং-অশা কয়াদা অকায়বা মওংদা অহোংবা কয়া অমা লাক্লবা মতমসিদা মসিবু মায়য়োক্লবা ৱাখল্লোন কয়া অমা মফম মফমদুগা চানবা মওংদা পুথোক্লরক্লি। মসিগী মনুংদা খরা পনবা তারগদি - ফর্টিলিটি ফার্মিং, নেটিভ অমেরিকান ফার্মিং, রিশি খেতি, জিরো বডজেট ফার্মিং অসিনচিংবা পনবা য়াই। মখোয়শিং অসি মফম-মফমশিংদুগী লৈরিবা লৌউ অমদি ঈশিং-নুংশিৎ, উমং-ৱামং, চীং-পাৎ-তুরেলশিংগী ফীভমগা চানবা মওংদা পুথোক্লরকপা ওইগনি।

মরু ওইনা ফুকুওকাগী ৱাখল্লোনগী থৌওংশিংদি -

(১) লৌবুক খোইদবা

(২) খূৎশেমগী অমদি মহৌশাগী হার শীজিন্নদবা (কম্পোষ্ট ফাওবা শেম্বা য়ারমদে) মহৌশানা লৈবাক্তা পথ-পুমথরকপনা পাঙথোকচগদবনি হায়বসিনি।

(৩) খূৎলায়না/খোইদুনা নৎত্রগা নাপি হীদাক্না নাপী পেংদবা।

(৪) তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নদবা।

১) লৌবুক খোইদবা : মহাক্কী ৱাখলদা লৈবাক লৈহাও মশানা মহৌশানা পান্থীগী মরানা, হিংকুপশিংনা, অতৈ অপীকপা থৱায় পানবশিং অমদি তিল্লোক্না লৈবাকপু খোইবগা চপ মান্নে হায়বসিনি।

২) হারশিং (কেমিকেল/ওর্গানিক) শীজিন্নদবা : মখোয়শিং অসি হাপ্পনা মীওইবনা মহৌশাদা খূৎ থিংজিনবীদুনা মখোয়না থোকপা তৌবি হায়বসিনি। অদুবু মদুনা মরম ওইরগা মখোয়না শোকহল্লিবদুদি কনবীবা ঙমদে হায়বসিনি মহাক্কী থাজবদি। মখোয়গী চেকশিন্দবা লৌউ থৌওংশিংনা লৈবাক লৈহাওদগী পান্থীগী মচীঞ্জাক মচলশিং লিশাং শিৎনা মাঙহনখিবনা ঙসিদি লৈহাও য়াওদবা লৈবাক ওইরক্লিবনি। মশা মথন্তা থাদোক্লবদি মহৌশাগী পথাপ্পা পান্থীশিং অমদি শাশিংগী মপূন্সিগী সাইকলনা খোঙচৎ কায়দনা লৈহাও চেন্দুনা লৈজগনি হায়না উৎলম্মী। মহাক্না লৈবাক লৈহাওগীদমক, হৱাই পান্থী থারম্মী, ক্লোভর পান্থী থারম্মী। লোয়ননা পান্থী লোকখ্রবা মতুংদা চন্দ্র চনাইশিং, পান্থীগী লেমহৌখাকশিংগা য়েন্থিগা খরা শীজিন্নে।

৩) খোইদুনা নৎত্রগা নাপি হীদাক্না নাপী হাৎতবা : লৌউবদা নাপীগীসু লৈবাক লৈহাও কাহনবদা অমদি হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবশিংগা হিংমিন্নবগী খল অমা পুরকপদা চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বা ৱাখল্লোন্দা নাপীবু পুম্মাঙ মাঙহল্লোইদবনি হায়বসি মাগী থাজবনি। মহাক্না হায়, মহাক্কী লৌবুক্তদি চন্দ্রনা কুপশিন্দুনা অমদি হ্বাইট ক্লোভরগা পান্থীগা ইন্টরক্রোপিং তৌদুনা নাপী হৌবা হন্থহনবনা অদুমক নাপী ঙাকথোকপগী থৌওংনি। করিগুম্বা মতমদা ঈশিং থাজিন্দুনা নাপী হাৎপসু পাঙথোক্লম্মী।

৪) তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নদবা : মহাক্কী ৱাখলদি মহৌশা নত্তবা মতমগী লৌউ তৌরুবনা মশা ফত্তবা পান্থী থোরকপনা মরম ওইরগা তীল, কাঙ, লায়না-তীলনা কয়া অমা লৌউ-শিংউবদা মায়োক্লরক্লে হায়বসিনি। মহৌশা হায়বসি মশা মথন্তা থাদোকপদা খল অমত্তা কায়দনা লৈজবনি, মহৌশানা লায়না-তীলনা হায়বসি অদুমক লৈজরবসু হু চেনবা হীদাক শীজিন্নদ্রগদি য়াদবা থাক য়ৌনা কৈদৌনুংদসু মাঙহন-তাকহন্দে হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। লায়না-তীলনা ঙাকথোকপগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি মশা মউ ফবা পান্থীনা মশা ফবা অকোয়বগী ফীভমদা থাবনি হায়বসি মহাক্না মহাক্কী ফার্মদা উৎতুনা তাক্লমখ্রবনি।

হৌজিক্তি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন্না নেচরেল ফার্মিংগী কান্নবাঅসুম্না পীরি :-

(১) পোত্থোক/চাথোক হেলহনবা

(২) শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা

(৩) লৌউ শেঞ্জং হন্থহনবা

(৪) হকচাং ফহনবা

(৫) থবক পীবা

(৬) হু চেনবা কেমিকেলশিং য়াওহন্দবা ঙমহনবা

(৭) মহৌশাগী খল ঙাকপা

(৮) ঈশিং য়াম্না চঙহন্দবা

(৯) লৈবাক লৈহাও মশা ফগৎপা।

(১০) শা-ষণ তুং কোইনা য়োকপা ঙম্বা ।

মথক্তা থমজরিবা অফবা পান্দমশিং অসি মফম-মফমগা চানবা মওংদা নেচরেল ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা ঙল্লবদি ফংবা ঙমগনি। মালেমগী লৈবাক অতৈদা মসি মরু ওইনা ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং - অন্ধ্র প্রদেশ, টামিল নাদু, ঝরখণ্ড, য়ু পি, কেরলা, ছটিশগড়, গুজরাট, হিমাচলনচিংবা। লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং অর্জেন্টিনা লৈবাকশিংদা মায় পাক্না পায়খৎখ্রবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নেসনল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিংগী থৌরমশিং পুকচেল শেংনা পায়খৎলবা লোয়ননা মণিপুরগীসু চানবা মফম য়েংদুনা হোৎনদুনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী অৱাবদগী কনবা ঙমদুনা তুংগী য়াইফবা ওইগনি। ●

## অহেনবা চাথোক্কীদমক অফবা ফৌদি

ডা. ৱাইখোম জিতেন

লৌউ-শিংউবগী শিনফমদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনগে হায়রবদি মখোয়গী পোত্থোক হেন্না পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি। পোত্থোক হেনগৎহন্নবা পায়খৎপা য়াবা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অহানবা খোঙথাংদি অফবা ফৌদি খনবনি। অফবা ফৌদি শীজিন্নবা লৌফম্না অতোপ্পা লৌফমদগী চাথোক চাদা ২০ ফাওবা হেন্না ফংবা ঙম্মী।

অফবা ফৌদিদা চেনগদবা মগুণশিং :-

১) ফৌশক মান্নগদবনি হায়বদি ফৌশিংদু চাউবা/পীকপা, ফৌগী মতু চোম্বা/চোমদবা মান্নগদবনি।

২) ফৌ অদুদা অতেক-অকায় ওইবা, তীলনা শোকখিবা, লায়না চেনবনচিংবা ফৌ ওইরোইদবনি।

৩) ফৌ অদুদা অমোৎপা অতোপ্পা পান্থীগী/নাপীনচিংবগী মরু য়াওরোইদবনি।

৪) ফৌ মখল অদুগী মপা-মপুগী ওইবা মরমচৎশিং মান্নগদবনি।

৫) ফৌ মখলশিং অদু চাং মান্ননা হৌবা, মতোল চোংবা ওইবগা লোয়ননা শাহৌ ফবা মান্নগদবনি অমদি হৌরবা পান্থীশিং অদু মপূং মরৈ ফাবা ফাওবা লৌফমদা হৌদুনা লৈবা ঙম্বা ওইগদবনি।

৬) মশক খঙলবা মফমদগী পুথোকপা ওইবগা লোয়ননা তৌদবা য়াদ্রবা চৎন-কাঙলোন কয়া ঙাক্না পুথোকপা ফৌ ওইগদবনি।

অফবা ফৌদি শীজিন্নবগী কান্নবা :-

ক) ফৌ মখল অদুগী চেনফম থোকপা মপা-মপুগী ওইবা মগুণশিং অদু চাং মান্ননা চেনগনি।

খ) ফৌশিং অদুগী ওইফম থোকপা মগুণশিং চাং মান্নবনা মরম ওইদুনা পোত্থোক চাথোক হেন্না ফংগনি।

গ) লৌফম অদুদা ফৌদিদগী চেন্নরকপা নাপী হৌবগী চাং নেমগনি।

ঘ) লৌফম অদুদা লায়না অমদি তীলনা তাবগী চাং নেমগনি।

ঙ) ফৌদি চাং হন্থনা শীজিন্নবা য়াগনি।

চ) ফৌ ফহন্নবা হাপ্লিবা মচাকশিংগী কান্নবা মপূং ফানা ফংগনি।

ছ) ফৌ পান্থীশিং অদু চাং মান্ননা হৌবগা লোয়ননা মুনবসু চাং মান্নগনি।

জ) লোক্লবা ফৌশিং অদুদগী তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং শেম শাবদা হেন্না খুদোংচাগনি।

ঝ) অফবা ফৌদিনা থাবা লৌফমশিং য়েংবদা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইগনি।

অফবা ফৌদি অমা ওইবগী মগুণশিং য়াওরবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মশক খঙলবা ফৌশিংতমক থাবীগদবনি। মদু নত্তদুনা মপা-মপু মশক খঙদবা, মমিং-মথা খঙদবা ফৌশিং কৈদৌনুংদা থাবীরোইদবনি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু মশক খঙলবা ফৌ মখল খরদং পনবা তারবদা ফৌওইবী, লৈমা ফৌ, সনা ফৌ, সী এ য়ু-আর ১, আর সী মনিফৌ-৭, আর সী মনিফৌ -১০, আর সী মনিফৌ-১২, আর সী মনিফৌ -১৩, আর সী মনিফৌ-১৫, আর সী মনিফৌ-১৬, সী এ য়ু-আর ৩, সী এ য়ু - আর ৪, সী এ য়ু- আর ৫, পারি ফৌ, অকুৎ ফৌ অমদি জিন ফৌনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ফৌশিং অসিগী মনুংদগী লৌমী অদুগী লৌফমগী ওইরিবা মওং মতৌ অদুগা চান্নবা য়েংবীরগা ফৌ খনবসিসু তঙাইফদবনি।

য়াম্না কূৎপা পাৎলৌগুম্বা মফমশিংগীদমক অৱাংবা, মতম শাংবা, তুগন্দবা লোয়না লোয়ননা হেনগৎলক্লিবা ঈশিংগা ইরোয়ননা ৱাংখৎপা ঙম্বা মখলগী ফৌশিং খনবীগদবনি। চাথোক লৈবা মথক্কী ফীভমশিং অসিগা চুনবা লৈঙাক্না মশক খঙলবা ফৌ খরা পনবা তারবদি অকুৎ ফৌ, সী এ য়ু- আর ৪ (ঈনোৎ ফৌ) অমদি ঈরৈমনি।

পাৎয়া, খোংবান অমদি য়াম্না লুবা ঈশিং নৎত্রবসু লোকপা মতম ফাওবা ঈশিং তুংদনা লৈগনবা মফমগীদমক কা হেন্না ৱাংবা নৎত্রবসু ফৌগী চাখোক লীংবা, তুগন্দবা অমদি ময়ায় ওইরপ মতম শাংবা ফৌ মখলশিং জিপ ফৌ (Ginphou) আর সী মনিফৌ - ১৩, আর সী মনিফৌ-১৬ পনবা য়াই।

ঈথৈ লৌখোং নীংথিনা ফংবা ঈশিং চনশিনবা অমদি থাদোক্লিংবা মতমদা থাদোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা মফমগীদমক লৈমা ফৌ, ফৌওইবী, সনা ফৌ, সী এ য়ু আর১, সী এ য়ু আর ৫, আর সী মনিফৌ-৭, আর সী মনিফৌ-১০ (লুংনিলা), আর সী মনিফৌ-১৩, আর সী মনিফৌ-১৫ অমসুং আর সী মনিফৌ-১৬ পনবা য়াই।

অতোঙবা কুমগী নোং ঈশিং নৎত্রবদি লৌ পান্নবগী পাম্বৈ লৈতবা নৎত্রগা ঈশিং ফংলবসু লৌফম অদু ঙন্না লোকথোক্লগা নীংথম মহৈ মরোং থাগদবা লৌফম ওইরবদি পারি ফৌ, সী এ য়ু আর ৩ (মঙাল ফৌ), আর সী মনিফৌ-১২ নৎত্রগা দব্লিয়ু-আর ৫-৬-১ পনবা য়াই।

অমরোমদা অমুক কুমগী নোং থেঙদুনা নৎত্রগা হান্না থাখ্রবা ফৌ পান্থীশিং ঈচাওগুম্বনা মাঙহনখ্রবা মতুংদা থেংনা অমুক লৌ পানবা তারবদি মথক্তা পনখ্রিবা অতেনবা মতমগী ফৌশিং খুদম ওইনা পারি ফৌ, সী এ য়ু-আর ৩, আর সী মনিফৌ-১২ হায়রিবশিং অসি ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা মরা তারবদি খরতা ওইরবসু লোকই। অদুগা পারি ফৌ হায়রিবা ফৌ অসিদি ওগষ্ট ৩০/সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদা মরা তাবদা লোকপা ঙম্বা ফৌনি।

অসুম্না ঐগী লৌফমগা চান্নবা চাথোক লৈবা মপা-মপু মশক খঙবা ফৌশিং খনবীদুনা অহেনবা চাথোক পুথোকপীদুনা ইশাগী শেন্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা হেনগৎলক্লিবা মীশিংগী চাবা কোন্ননবা পুথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংনা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ। ●

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-২০০

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্না ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ৱাবা অয়াম খোং। কেকে লমগী চীঙঙাংবম চনু নিংঙোলবী। মোইরাং অমাইবী অশৈবী। থাঙঙা খুলহোং চীঙ। য়ুমহোং খুলহোং চীঙ। মদু মৌপ্বা য়োইবা ফানৌচামবা। খুনদা মরমখৈ। থাঙঙা চীঙলেল চীঙদোমপোকপু খঙনা ঈশৈ শৈথাবী। অশৈ লমনেম শৈশকপা চনু। মপাম হুয়েল লালদাঙৈদি। খুমল লমগী চুমপরেংবা অথৌববু অহোং য়োইথোলনবগী নিংঙোল ওইবী। মৈতৈ লৈমা লীলসুরোন খুরোইঙমবী। খুরোই লৌশোইরেল। শোইরেল চাইবীলোকতা খোঙলেংবী। লমলেল খুইরোই লৌশোইরেল। শোইরেল চাইবীলোক ও মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -꯲꯰꯰

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯌꯊꯣꯛꯀꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯋꯥꯕꯥ ꯑꯌꯥꯝ ꯈꯣꯡ꯫ ꯀꯦꯀꯦ ꯂꯃꯒꯤ ꯆꯤꯡꯉꯥꯡꯕꯝ ꯆꯅꯨ ꯅꯤꯡꯉꯣꯂꯕꯤ꯫ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯑꯃꯥꯏꯕꯤ ꯑꯁꯩꯕꯤ꯫ ꯊꯥꯡꯉꯥ ꯈꯨꯂꯍꯣꯡ ꯆꯤꯡ꯫ ꯌꯨꯃꯍꯣꯡ ꯈꯨꯂꯍꯣꯡ ꯆꯤꯡ꯫ ꯃꯗꯨ ꯃꯧꯄꯋꯥ ꯌꯣꯏꯕꯥ ꯐꯥꯅꯧꯆꯥꯝꯕꯥ꯫ ꯈꯨꯅꯗꯥ ꯃꯔꯃꯈꯩ꯫ ꯊꯥꯡꯉꯥ ꯆꯤꯡꯂꯦꯜ ꯆꯤꯡꯗꯣꯃꯄꯣꯛꯄꯨ ꯈꯉꯅꯥ ꯏꯁꯩ ꯁꯩꯊꯥꯕꯤ꯫ ꯑꯁꯩ ꯂꯃꯅꯦꯝ ꯁꯩꯁꯛꯄꯥ ꯆꯅꯨ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯉꯩꯗꯤ꯫ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯃꯒꯤ ꯆꯨꯝꯄꯔꯦꯡꯕꯥ ꯑꯊꯧꯕꯕꯨ ꯑꯍꯣꯡ ꯌꯣꯏꯊꯣꯂꯅꯕꯒꯤ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ ꯑꯣꯏꯕꯤ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯤꯂꯁꯨꯔꯣꯟ ꯈꯨꯔꯣꯏꯉꯝꯕꯤ꯫ ꯈꯨꯔꯣꯏ ꯂꯧꯁꯣꯏꯔꯦꯜ꯫ ꯁꯣꯏꯔꯦꯜ ꯆꯥꯏꯕꯤꯂꯣꯀꯇꯥ ꯈꯣꯉꯂꯦꯡꯕꯤ꯫ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯈꯨꯏꯔꯣꯏ ꯂꯧꯁꯣꯏꯔꯦꯜ꯫ ꯁꯣꯏꯔꯦꯜ ꯆꯥꯏꯕꯤꯂꯣꯛ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।